# অহল-লমনগী মীচৈ শম্বল কয়া চোংথোক্তুনা মশক নাইবী অমা ওইরকখিবী ফিল্ম অমদি ঠিএটরগী এক্টর মোধুবালা

- নানি

মীওইবগী পুন্সিদা আর্ট হায়বা অসি য়াম্না মরুওই। আর্ট য়াওদনা ঐখোয়না হিংবা ঙমদে। আর্ট হায়রগা চারিবা, শেৎলিবা, লৈরিবা য়ুমনচিংবা কয়া অসিগা মরী লৈনদে হায়না ঐখোয়না খক লৌবা য়াদে। পুন্সিগী খোঙথাং খূদিংমকশিং অসি আর্টকা মরী লৈনরিবনি। মালেম অসিদা মতিং থোক্লা হিংবদা মশাগী নাৎ শক্তমগা শাগোন্নবা মশানা তাবনি। মদু য়াওদ্রবদি মীশক অদুগী কাঙলুপ অদুগী লেমজনফম লৈতে। কলচর হায়বা অসিগা শাগোন্নরিবা আর্ট হায়বা অসিগা ঐখোয়গা পুন্সিগী খোঙথাং, খোঙচৎ, তাঙ্কক খূদিংমক্তা মরী লৈনৈ। অসুক মরুওইখ্রবা আর্ট অসিবু শিনফম অমা ওইনা লৌনবা মতমদদি থোইদোক্লা মীৎ থনবা শিনফম অমদি ওইদে। ঙসিদগীনা খরা ঙল্লিঙৈগী মতমদদি আর্ট হায়বা অসি মী খূদিংমক্লা য়াম্না পাম্নরবসু মচা-মশুশিং অমদি মচা-মনাওশিংবুদি শিনফম অসিদা পামজনা চঙগে হায়বা মতমদা তাথিনা তৌই। শিনফম অসি অরেম্বা, ঙাওশিন্নবা, মী ওইনা শীংথানদবা শিনফম অমা ওইনা লৌনরম্মী। নোংমগী শুরগা চাজবা মীশক অমনা ফাওবা আর্টস হায়বা অসিগা শাগোন্নবা আর্টিষ্টশিংবু মী ওইনা লৌনদে। করেম কথাইনবা, ফাগি জুগাই অমদি মীরেম ওইনা লৌনবগী মীৎয়েং অমা কন্না লমদম অসিদা লৈরকখি। মতম অদুদা আর্টিষ্ট ওইগে হায়না চোংথোরকখিবা মরিল লৈবা নুপা-নুপী কয়াশিং অদুনদি খুন্নাই অসিগী মীয়াম্বু, অমদি খুন্নাই অসিগী মশকপু ঙসিফাওবা কন্দুনা লাক্লি। অদুবু হৌজিক্তি শিনফম অসিদা থওইনা চঙহন্নবা মমা-মপা ওইবশিংনা হোৎনবগী মমি অমদি উবা ফংলে। মসিদা নুংঙাইবা অমদি ফাওই। মসিগীদমক লম্বী অসোমদা চঙশিল্লিবশিংনা চাউথোকচরি।

নোংথোম্বম মোধুবালা, য়াইস্কুলদা পোকপীনি। মচে মবুং ৬ (নুপা ৪ নুপী ২) গী মনুংদা ইতোন তোনবী ওইবীনি। অপোকপগী মিংনা ইবোতোম্বী কৌই, অপোকপীগী মিংনা নোংথোম্বম ওংবী কেতুকি দেবী কৌই। পীশক পীক্লিঙৈদগী হৌনা ময়ুম মনাক নক্লা লৈরিবা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী লীলাশিং তোয়না য়েংলকই। সো উৎপদা য়েংবা নত্তনা লীলা তম্বদগী হৌনা য়েংলকই। মদুনা মরম ওইদুনা লীলা য়াওনিংবগী ইথিল অমদি ইপক্তা পক্তুনা লাকখি। পীক্লিবী মোধুবালানা অঙাং ওইবগী শান্নবদসু মসিগী মমি চাউনা তারকখি। নুপীমচা অমা ওইবগী হৌনবী, খুল্লোকপী শান্নদুনা অতৈ অঙাং ওইবগী মশান্নশিংদা মথ্বায় য়াওবগী মহুৎতা মশুং মমান্নবশিংগা পুনশিল্লগা মখোয়না য়েংলুবা লীলাগী মতৌ তমদুনা শান্নবদুনা হেন্না পামজরকখি। পুংকক চাউরকপা মতমদা ময়ুম মনাক্তা লৈবা গুরু বিপিনগী জগোই ইন্সটিট্যুটতা জগোই তম্লকখি। মহাক্লা জগোয় তম্বা অদু মবুংশিং খঙহল্লকখিদে, লোন্না তুমীন চৎতুনা তমজরকপনি। অদুমক্তদা কান্নদবদা মতম মাঙহল্লি হায়না চৈবীরকখি। মমান্নবীশিংনা জগোয় তম্বা চৎপা মতম য়ৌদুনা হৌরকপদা, লোন্না থোরক্তুনা জগোয় তম্লকখিবী মহাক অদু ঙসিদি লমদম অসিগী য়াম্না মরুওইবা ফিল্মগী মমা শাবী অমা ওইনা শকখঙনরে।

মোধুবালাগী আর্টকী খোঙচৎ অসিগী নুংঙাইরবা ৱারী কয়া লৈখি। পীক্লিঙৈদগী পামজনা হৌরক্লবসু ইমুংগী অহল-লমনশিংগী ৱারক শম্বলনা কনখিবনা মহাক পাম্না পাম্না য়েংলগা লৈবা তাখি। অদুবু ইহান হানবা ওইনা, হুইদ্রোম নোরেননা দিরেক্সন পীবা, আর কে জানরঞ্জননা কেমেরামেন ওইবা ভিদিও ফিল্ম **অহিং অমগী খোঙলোই** হায়বা অদুদা সপ্পোর্টিং রোল অমা লৌদুনা য়াওবা হৌরকখি। মদুসু ময়ুমগী মী খঙহন্দনা লোন্না থোরক্লগা ফিল্ম নম্বা য়াওরকখিবনি। অদুগী মতুংদগী



লৈখিদ্রবা চান্দ হৈস্নামনা পুথোকখিবা ব্রাইট ভিদিওগী **ক্বা মতপ** হায়বা ভিদিও ফিল্ম অদুদা অমুক হন্না য়াওরকখি। ফিল্ম অসি নম্বগী মতাংদা, রিহার্সেল তৌবা, ঈশৈ তম্বা, অমদি ৱা তান্নবা খূদিংমকশিং অসি মহাক্কী মচে, কৈশামথোং লোংজম লৈরক্তা ওংবীগী য়ুমদা ওইনা পাঙথোকখি। ময়ুমদদি তৌখিদে, মরমদি ময়ুমদা তৌরুবদা য়ারক্লোই হায়বদগী মচেগী য়ুমদা ওইনা তমখিবনি। ফিল্ম অদু থোরকপদগীদি মোধুবালা মমিং চৎপা হৌখি।

মতাং অসিদগীদি মহাক্কী অপাম্বা অসি থিংবা য়াররোই হায়বা অসি ইমুং মনুংনসু খঙলকপনা কা হেন্না অথিং-অরাকতি পীখিদ্রে। সিগী মতুংদগীনি মহাক্লা ঠিএটরদা খোঙ থাংজিনবা হৌরকখিবসি। **ক্বা মতপ** ভিদিও ফিল্ম অসিগী দব্বিং/ইদিটিং অদু ক্বাকৈথেলদা লৈবা কে পি ষ্টুদিওদা তৌখি। মতমদুদা ঠিএটর মিররগীসু মফমদুদা লীলা তম্ফম ওফিস ওইনা লৈরকখি। মহাক্কী পামজবা কয়া অদু উবদা ঠিএটর মিররগী দিরেক্টর ৱারেপ্পা নবনা মহাকপু ঠিএটর মিররদা দ্রামা য়াওনবা হায়রকপদগী পামজবনিনা মতম খরা লূপ অসিদা য়াওদুনা লীলা তম্বা হৌখি। অদুবু ইকুই কুইদনা, এম দি য়ুগী ওজা গুরু অহল-লমনশিংনা নোংমা অয়ুক অমা মোধুবালাগী অপোকপগী নাক্তা লাক্তুনা মচানুপীবু এম দি য়ুদা য়াওনবা কন্না হায়রবা লৈখি। তৌবগীসু খরা নকপা অমদি হান্নদগী হৌনা এম দি য়ুগী ওজাশিংগা মহাক্কী অপোকপগা য়াম্না নক্লবা মীশক অমা ওইবনা মহাকপু এম দি য়ুদা য়াওনবা কন্না হায়খি। অসুম্না মহাক এম দি য়ুদা লীলা য়াওবা হৌরকখি। এম দি য়ুগী মমিং লৈরবা প্লে খরদা কুম্লকখি। খরদং পল্লবদা- **হিংজরক্কে মতম্বাক্তা, কৃষ্ণ অভতার, নেতা ইরাবোত, বির টিকেন্দ্রজিৎ** নচিংবা।

অসুম্না চংথরকপা মহাক্কী আর্টকী খোঙচৎ অসিদা মোধুবালা পুন্সিগী মায়োন অমা লাকপা হৌখি। পোনি ফিল্মস প্রদক্সনননা অহানবা ওইনা পুথোক্কদবা **থম্বাল** হায়বা সেল্ল্যুলোইদ ফিল্ম অমগী এসাইনমেন্ট ফংখি। ফিল্ম অসি নমদ্রিঙৈগী মমাঙদা থা অমা চুপ্না মমিং লৈরবা ঠিএটর দিরেক্টর য়ুম্নাম রাজেনগী লমজিং মখাদা ৱার্কশোপ অমা থাংমৈবন্দদা পাঙথোকখি। মদুদা য়াওবদগী মোধুবালাদা অমুক্কা হেন্না অহেনবা আর্টকী তানশিনবা য়াবা মহৈ কয়া তানশিঞ্জখি। ফিল্ম অদু মায় পাক্লা কুম্লবা মতুং রিলিজ তৌরকপদগীদি মহাক্কসু ৱাখল মান্নজবা, খুরাই লম্লোংদা লৈবা দি দি কে ইম্ফালগী পি ঈ এক্স ওইনা থবক তৌরিবা থৌদাম ব্রজ বিধুগা লোয়ননা য়ুম্বাল লম্বীদা খোঙদামিন্নখি। অদুগী মতুংদগীদি মহাক মতম খরা আর্টলোমদা মায় ওনশিনবা ঙমখিদে। অদুনা নাথৈদুনা লৈখি। দিজিটেল ফিল্ম থোরক্লবা মতুংদা রোমি মৈতৈনা দিরেক্সন পীবা অঙাংবা কুরাও মপান হায়বা ফিল্ম অদুদা রোল অমা ফংদুনা অমুক হন্না ফিল্ম কুম্বা হৌরকখি। অদুগী মতুংদগী অমুক মহাক্কী মপুরোইবগী থবক পোষ্টিং মফম গুৱাহাতিদা তাবদগী চৎখিবদুনা চহী ৫ হেন্না ফিল্মদা খোঙদাবা ঙমখিদে। মপুরোইবনা গুৱাহাতিদগী ইম্ফালদা পোষ্টিং লাক্লবা মতুংদগীনি অমুক হন্না মোধুবালা ফিল্মদা খোঙদারকখিবা। অদুদগী অমুক **ধর্ম্মগী মিংদা ইমাগীদমক** হায়বা অসিগা লোয়ননা মথং মথং ফিল্ম কয়া কুম্বা হৌরকখি। হৌজিক ফাওবদা মণিপুরী দিজিটেল ফিল্ম ৫০গী মথক্তা কুমখ্রে। হৌজিক্তি মোধুবালা মণিপুরী ফিল্মগী য়াম্না মরুওইবা মীশক অমা ওইরে। হৌখিবা চহীদগী হৌনা কোভিদ-১৯গী চৈথেংনা মরম ওইদুনা ফিল্ম নম্বগী থবক অসি পুংলেপ লেপ্পুরবা মতুংদা খরা খরা অমুক হৌনরকপদা ফিল্ম অমা অনী লোইশিনখি। অদুগা লোয়ননা অনৌবা ফিল্ম খরগীসু এসাইনমেন্ট ফংদুনা নম্নবা থৌরাং হৌরুরবা মতুংদা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ অমুক লাকপদগী হৌজিক ফাওবা সূটিং চথবা য়াদদুনা লেপ্তুনা লৈরি।

হৌরক্লিবা নহারোলশিংদা থম্মোয় শেংনা ৱাফম খরা থম্লদুনা অসুম্না হায়- আর্টস হায়বসিদা খ্বাইদগী লুরিবদি দিসিপ্লিননি। দিসিপ্লিন লৈবা, মশাগী তৌগদবা মথৌদা হেন্না পূক্লিং চঙবা, মীয়াম তীনবা মতমদা মতম ঙাকপা, মতমগী মমলবু মশক খঙনা শীজিন্নবগা লোয়ননা ওজাশিং অখঙ-অহৈশিংদগী মহৈ তম্নবা ৱাখল খনবা অমদি হোৎনবা হায়বা অসি য়াম্না মরুওই। মদুতদা মপুং ফাবা আর্টিষ্ট অমা ওইবা ঙমগনি হায়বা ৱাফম চেকশিন্না থম্লক্লি। তশেংনসু, হৌরক্লিবশিংনা মাঙদা লৈখ্রবা অহল-লমনশিংগী পুন্সি ৱারী মুন্না খঙবা, মখোয়না হোৎনরকখিবা, থেংনরকখিবা কয়াশিং অদুগী ৱারী ৱাখোং তারগা মশাদা অনৌবা মৈ অমা ইক্তুনা হেন্না মথৌ শংবা হায়বা অসি তৌফম থোকই। পোকপদগী পীথোরকপা খজিক অদুনা শমান লেংমান্নবগা শায়েং পাম্বোম ঙানবা মতমদা তুং কোইবা ঙম্লোই হায়বসি খঙজিনবা মতম ওইরে।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৯।০৯।২০২১ ইং, নোংমাইজিং, অয়ুক পুং ৬ ফাওবা লাংবনগী ১৩ পাল্লি, মতুং ১৪ নি পানগনি।

মেষ: মীকোক থোংবা, নচা-ননাইগী ৱাখলদা নুংঙাইবা, অরুবা ৱা তুপথোকপা য়াবা অমদি মরুপ-মপাংগী মতেংনা শেন্দোং ফংবা নুমিৎনি। হুদৈদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ: অনম তানবা অমদি ফিংবনা নুংশাথিবা নংদনবা তপথৌ অমদি নোল্লুক্লা চৎলু। নক্লবা মীশিংদি লোয়নবা কান্নগনি অমদি নিংবদুমক পাঙবা ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - অনম তানগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

মিথুন: হকচাং নুংঙাইবা হেল্লনি, অফবা মরুপ ফংগনি অমদি অরং অরাক/ফমথোল ফংবৈ নুংঙাইজগনি। লৌশিং চাওবৈ ৱা তাদ্রদি অফা-অপুন্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ঙাংবদি পকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

কর্কট: থাজদনা নুংঙাইবা অমদি শেন্দোং ফংজগনি। অনৌবা মরুপ ফংগনি অমদি য়েক্লববু ঙমজদুনা নথক থোংবনা চানবীবা লৈগনি। মীয়াম্নদি থাগৎলি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

সিংহ: নিংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগনি, লল্লোন ইতিক অমদি অনৌবা থৌরম পাঙবদা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। অনম তানবা অমদি খোয়রাংবনদি লন মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

কন্যা: অনৌ-অনৌবা থৌরমদা পুক্লিং চঙগনি অমদি মায়সু পাক্কনি। মীচঙ খোম্বা য়াগনি। অদুবু হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা, চিন কনবা কান্নদবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

তুলা: য়েৎনবা, হুরানবা/মহু চাওবনা তাথিবা অমদি য়েৎনবনা মাঙজবা লৈগনি। অদুবু মীৱা লৌদ্রবা, চিন কন্দ্রবা অমদি খাঙবা কল্লবা মাঙনিংঙাই লৈতে।
লৈশা পাখংশিংগী - য়াকা য়েংনা চৎপা ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক: অনিংবা থবক পাঙগনি অমদি মীনা লাকচবা ঙল্লোইদবা নুমিৎনি। হনবা লৈতনা হোৎনবগী কান্নবা ঙসিসু লৈ। অদুবু মীতোপ থাজবদি লুগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ঈৱাং পুরদি কায়নগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।


ধনু: লম খূদিংদা মায় পাক্কনি, মীচঙ হেনগৎকনি, ঙাং-শকপা হৈগনি অমদি ইমুং মনুং ৱাতান্নবনা হেন্না চাওখৎকনি। অনৌবা থৌরমসু পাঙবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নিংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর: ৱাঙাং হৈত্রদি চোপ্পা য়াবা অমদি নক্লবনা য়েংশিনবা লৈগনি। মরুপ মপাং অমদি মীয়াম্না য়াবা থৌ পাঙনবা হোৎনৌ, মদুনা শাফগনি। য়াকা য়েংবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নিংবদুমক পাঙদা য়াদে খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/অশংবা।

কুম্ভ: হরাওবা-নুংঙাইবা, মীচঙ হেনগৎপা অমদি ওইজ-ওইথক ফংগদবা নুমিৎনি। অঙম্বনা চানবীগনি অমদি মীয়াম্না থাগৎনৈ। ফত্তবা মরুপ্পদি তাথিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি ৱাখলদা নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন: নাইতোম থৌ পাঙগনু অমদি অনম তানগনু। মীয়াম্না চানবীগনি অদুনা মীয়াম লোয়নবা নত্রগা মখোয়না য়াবা থবক পাঙবা ফৈ। হম্বা লোয়নরদি মাঙজনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।




ওজা : নিশাগী চাং খ্বাইদগী হেন্না য়াওবা পোৎশক করম্বনো?
মহৈরোয় : লাইরিক।
ওজা : মতৌ করম্না ?
মহৈরোয় : মরমদি লাইরিক হাংদোকপগা হেক্তা তুমনিংলকই...!!

মপা : ইবেম্মা নঙ ঙসি করিগী স্কুল চৎত্রিবনো?
মচানুপী : বাবা ঙরাং স্কুলদা ঐখোয়গী অরুম্বা ওল্লি।
মপা : অদু কৈদৌরবা?
মচানুপী : কনানা খঙনি ঙরাং স্কুলদা অরুম্বা ওনখিবনিনা ঙসি ঐখোয়বু য়োম্হোকখিবসু য়াই ...!!

ওজা : কুতুব মিনার কদাইদা লৈবগে?
মহৈরোয় : খঙদে।
ওজা : অদু ওইরবদি ফান মথক্তা লেপখৎলু।
মহৈরোয় : ফান মথক্তা ঙাইহাক লেপ্লগা লৈরবা মতুংদা হায়রকই- ওজা, লেপ্লগা য়েংবদসু কুতুব মিনার উদে...!!

ওজা : ইবা মতমদা করম্বা খুৎনা খ্বাইদগী হেন্না নুংঙাইনা ইবা ঙম্মী?
মহৈরোয় : খুৎ অমত্তা নুংঙাইতে, মরমদি ইবা হায়বসি খুৎনা ইবা নত্তে কোলোমনা ইবনি...!!

ওজা : চাক চারমদাই মতমদা খুৎশা শেংনা হামদোক্কদবনি।
মহৈরোয় : ওজা, ঐদি চাক চাবা লোইরগা ওইনা খুৎ হাম্মী।
ওজা : করিগী?
মহৈরোয় : মরমদি মোবাইল পায়বদা খুৎকী অমোৎপা অদু মোবাইলদা তৈদনবা ...!!

তোনাউ : বাবা, ঐ হয়েং স্কুল চৎলোই।
মপা : করিগীনো স্কুল চৎলোই হায়রিসিনা।
তোনাউ : ঐখোয়গী ওজা করিমত্তা হৈতে-খঙদে। মতম পূম্নমক্তা ঐখোয়দা ৱাহং শুম হংদুনা লৈ...!!

ওজা অমা মহৈরোয় ননাউগী মতাংদা মমা-মপাদা কমপ্লেন তৌবা লাকই।
ওজা : ননাউ, নখোয় বাবা লৈব্রা?
ননাউ : ঐখোয় বাবাদি নুমীৎ ২০গী মমাংদা লৈখিদ্রে।
ওজা : করম হায়না লৈখিদ্রিবনো নুংঙাইতেদা।
ননাউ : ঐখোয় বাবাদু টি ভিদা রামদেবনা তাকপা য়োগ তৌদুনা লৈবনি। রাম দেব বাবানা হায়, নিংশা শ্বর হোঞ্জিল্লু ঐনা হেক হায়রক্ত্রিবা ফাওবা নিংশা শ্বর থিংলগা লৈগদবনি। মতম অদুদা মৈ মুৎখিবনি, পুং ৩গী মতুংদা মৈ লাকই। অদুদা ঐখোয় বাবা লৈখিদবনি...!!!

নাউচি : তাম্মো, সিংহার ১০ লৈগে।
সিংহার য়োনবা নুপা : পেক তৌরগা পীরকউরা?
নাউচি : পেক তৌরগা পীরক্কনু, ঐ পেন দ্রাইভ পুরগা লাক্লিবনি। মসিদা সিংহার হায়বা ফোল্ডর অমা শেম্লগা মদুদা হাপ্পিরকউ...!!

চাওতোন : অঙ্কল, প্রিন্টরদা শীজিন্ননবা চে খরা লৈগে।
দুকান মপু : এ ফোর ?
চাওতোন : এপল ! অঙ্কল খরা থুনা পীরক্লো...।

☞ পীরিবা ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা দ্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।



Title : Dragon
By : Oinam Lanchenbi
Class : II Sec : D Roll : 5
School : Pitambara English School



Title : Owl
By : Asem Paikhomba
Class : I Sec: B Roll : 5
School : ST. Joseph's Hr. Sec. School



Title : A Jug
By : Chinganbam Priyathoi
Class : III Sec : A Roll : 5
School : Hikalollaisusang Lamdeng



Title : An Owl
By : Hidangmayum Rajlakshmi Sharma
Class : III
School : Mangal Kids School, Ningthoukhong



Title : Scenery
By : Irom Nongdamba
Class : II Sec : A Roll : 7
School : Kendriya Vidyalaya, Leimakhong



Title : Lamp
By : Loitongbam Mangal Meitei
Class : II Sec : A Roll : 7
School : Nawa Singdamsang



Title : Scenery
By : Loitongbam Marzeet Singh
Class : VI Sec : A Roll : 48
School : The Evergreen Flowers



Title : Red Dragon
By : L. Satyazeet Singh
Class : VI Sec : B Roll : 17
School : The Evergreen Flower's School



Title : Mirabai Chanu
By : Maisnam Shilheibi Chanu
Class : IV Roll : 4
School : Unacco School Excellence in Eduction



Title : Apple
By : Maisnam Thoihenbi Chanu
Class : Pre Nursery Roll : 16
School : Unacco School Excellence in Eduction




Title : A House
By : Ngangom Tomthinnganba
Class : KG Sec : A Roll : 11
School : Paree Imom Sindam Sang



Title : Orange
By : Rajkumar Lamnganba Singh
Class : Nursery
School : Impetus School, Thinungei




Title : Green Mango
By : Rajkumari Chinglembisana Devi
Class : KG Roll : 10
School : Impetus School, Thinungei



Title : Rabindranath Tagore
By : T Goom Singh
Sec: IX Roll : 2
School : St. Patrick's English School, Thangmeiband



Title : House with Scenery
By : Salvador Khundongbam
Class : KG
School : Laimakol Engling School



Title : Son Goku, DragonBall
By : Vyas Koijam
Class : VI B Roll : 37
School : Kendriya Vidyalaya No. 1 Lamphelpat

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পিনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবিরকপা য়াগনি।